# মীওই চা কয়ানা জে এফ কে এয়রপোর্টতা ত্রম্পকী মুস্লিমমশিং চঙহন্দবগী ওর্দর প্রোটেষ্ট তৌখ্রে



ৱাশিংটন, জান্যুৱারী ২৯ :

যু এসকী প্রসিদেন্ট দোনাল্ড ত্রম্পনা অমেরিকাদা মুস্লিম রিফ্যুজিশিং অমসুং ইন্মিগ্রেন্টশিং চঙবা থিংখিববু য়ানিংদবা ফোঙদোক্লদুনা থাংজ নুমিৎকী অথেংবদা মীওই চা কয়ানা হৌনরুবা তৌদনা ন্যু য়োর্ককী জোন এফ কেন্নেদি ইন্টরনেসনল এয়রপোর্ট অমসুং লৈবাক অসিগী মফম কয়াদা লৈরিবা অতৈ এয়রপোর্টশিংদা পুনখ্রে হায়না মিদিয়া রিপোর্টশিংনা হায়রি।

ন্যু য়োর্ক এয়রপোর্টকী টর্মিনেল ৪ দা ইন্মিগ্রেসন ওথোরিটিশিংনা রিফ্যুজি ১১ দিটেন তৌদুনা থমখিবদগী প্রোটেষ্টশিং অদু হৌখিবনি। ত্রম্পনা লৈবাক অসিদা রিফ্যুজিশিং চঙবা থা মরি থিংনবা ওর্দর অমা তৌখিবা মতমদা মখোয় ১১ দু মখোয়গী খোঙচৎতা লৈরম্বা য়াই হায়না সি বি এস ন্যুজ অমসুং অল জাজীরানা হায়রি।

এয়রপোর্টশিংনা প্রোটেষ্টশিং চথরিঙৈ তাল্লক্তা ফেদরেল জজ অমনা ভেলিদ ভিজাশিং পায়বা মীওইশিংবু য়ু এসতগী হলহনখিনবা ত্রম্পনা তৌখিবা ওর্দর ষ্টে তৌখ্রে।

খ্বাইদগী নৌবা রিপোর্টশিংগী মতুং ইন্না, জে এফ কেগী টর্মিনেল ৪ - এরাইভল গেটতা পুনখিবা প্রোটেষ্টরশিংগী মশিং লেপ্তুনা হেনগৎলকখি। জে এফ কেদা নত্তনা ৱাশিংটন দি সিগী দ্যুলিজ এয়রপোর্ট তসু প্রোটেষ্টরশিং পুনখি হায়রি।

সান ফ্রান্সিস্কোদা গুগলগী কো-ফাউন্দর অমসুং অলফাবেটকী কো-ফাউন্দর সর্গি ব্রীনসু সিটি অসিগী ইন্টরনেসনল এয়রপোর্টতা তিল্লিবা প্রোটেষ্টরশিংগী মরক্তা য়াওশিনখি হায়না ভর্জগী রিপোর্ট অমনা হায়রি।

ব্রীননা ভর্জদা হায়খি মদুদি, 'মহাক পার্সনেল কেপাসিটিদা প্রোটেষ্ট অদুদা শরুক য়াখিবনি অমসুং হীরম অসিগী মতাংদা কম্মেন্ট পীরোই। অদুম ওইনমক ফোর্বসকী র‌্যান মার্কনা ব্রীনগী ৱারোল মচা খায়না তমখি।' 'ঐহাকসু রিফ্যুজি অমা ওইবনা মফম অসিদা লৈরিবনি' হায়না মার্কনা ব্রীনগী ৱারোল পল্লদুনা হায়খি। প্রোটেষ্টরশিংনা পুবা প্লেকার্দশিংদা 'ঐখোয় পুম্নমক ইন্মিগ্রেন্টশিংনি', 'মখোয়বু চঙহল্লু', 'রিফ্যুজিশিং ৱেলকম তৌই', 'ওর্দর ইনগনু' অমসুং 'ওর্দর থিংউ' হায়বা ৱাহৈশিং থাখি।

'ত্রম্পকী পোলিসীশিং মরম চাদে অমসুং নোক্লিংঙাই অমসুং মাঙ-তাক্লিংঙাইনি হায়বসি ঐখোয়না ঙসি উবা ফংলে। প্রসিদেন্টগী ইগজিক্যুটিভ ওর্দরদা পুকচেল খুবগী মমি তাই, ওর্দর অসি ৱাখল তৌদনা থোকখিবনি অমসুং ওর্দর অসি অরানবা পাউতাক্লা লীচিং ওইরগা থোকখিবনি' হায়না কোংগ্রেস ৱুমন নাইদিয়া ভেলাজকিজ অমসুং কোংগ্রেসমেন জেরোল্ড নাদলরগী অপুনবা ষ্টেটমেন্ট অমা পল্লদুনা ওবজার্ভরগী পাউনা হায়খি।

জে কে এফকী প্রোটেষ্টশিংদু ত্রম্পকী থবক হৌবদা ঙাইরিবা এদমিনিষ্ট্রেসনবু অহানবা ওইনা হকথেংননা শীংনবা ওইনা লৌনবগা লোয়ননা মদু অনৌবা কম্মান্দর ইন-চীফনা মহাক্কী খ্বাইদগী ৱাথোক ওইনিঙাই ওইবা কেম্পেনদা শকখিবা ৱাশকশিংবু ইগজিক্যুটিভ ওর্দর থোক্তুনা থবক্তা ওন্থোক্লবা হোৎনরকপদা অপনবা পীনবা ইহান হান্না হোৎনরকপা অমনি হায়নসু লৌনরি হায়না ওবজার্ভরনা হায়খি।

ইরাক্তা লৈবা য়ু এস মিলিটরিগী হান্নগী ট্রান্সলেটর হমী খলি দারৱীশ পুং খরা দিটেন তৌরবা মতুংদা থাদোকখি হায়না সি বি এস ন্যুজগী পাউনা হায়খি। 'মখোয়না ঐহাকপু রুলশিং থুগায়বা মীওই অমগুম নৎত্রগা অরানবা খরা তৌখিবা মীওই অমগুম্না ত্রিট তৌখি, ঐহাক মখোয়গী থৌওংদা তশেংনা ঙকখি' হায়না দারৱীশনা হায়খি।

## য়ু এসকী প্রসিদেন্টদা অচেৎপা পাউখুম পীনবা ফ্রেঞ্চ প্রসিদেন্টনা আপিল তৌখ্রে

ৱাশিংটন, জান্যুৱারী ২৯ :

য়ুরোপ পুম্নমক্না অমত্তা ওইবা ফ্রন্ট অমা শেম্ননবা অমসুং য়ু এস প্রসিদেন্ট দোনাল্ড ত্রম্পতা অচেৎপা পাউখুম পীনবা ফ্রান্সকী প্রসিদেন্ট ফ্রান্সুৱা ওলান্দনা য়ুরোপকী লীদরশিংদা আপিল তৌখ্রে। সাউদর্ন য়ুরোপিয়ন য়ুনিয়নগী লীদরশিংগী মীটিন অমদা ওলান্দনা আপিল অদু তৌখিবনি।

'ঐখোয় পুম্নমক্না মায়োক্লরিবা প্রোব্লেমশিং থেংননবা মশাগী ওইবা তোঙানবা লম্বী অমদা মীৎয়েং থম্লক্লবা অনৌবা অমেরিকান এদমিনিষ্ট্রেসনগা দাইলোগ চেৎনা চথনবা ঐখোয়না হোৎনগদবনি' হায়না মীটিন অদু লোইরবা মতুংদা মদুদা শরুক য়াখিবা অতৈ লীদরশিংগা পুন্না লেপমিন্নরিবা ওলান্দনা হায়খি।

অনৌবা অকনবা পোলিসী প্লানশিংগা লোয়ননা ত্রম্পনা অমেরিকাগী মহৌশাদগী লৈরক্লবা য়ুরোপকী মীচঙ লৈবাকশিংবু হঙ্গৈহনখিবনি। মহাক্না মিলিটরি এলাইঅন্স নেটোবু হৌজিক্কী মতমগা চানদ্রে হায়খি অমসুং ত্রান্স-এটলান্টিক ত্রেদ প্লান থুগাইগনি হায়না লাউথোকখি। বৃটেননা য়ুরোপিয়ন য়ুনিয়নদগী তোক্লবা থাংলক্লিবা খোঙথাংবু মহাক্না থাগৎখি অমসুং মদুগী ৱারেপ্তু 'ঙক্লিংঙাই ওইবা পোৎ অমনি' হায়খি।

## চাইনিজ টুরিষ্টশিং য়াওনা মীওই ৩১ তোংবা মালেসিয়াগী হি অমা মাংখ্রে



কুলা লম্পুর, জান্যুৱারী ২৯ :

চাইনিজ টুরিষ্ট ২৮ য়াওনা মীওই ৩১ তোংবা হি অমা বোর্নিওগী কোষ্টকী মনাক্তা থিবা খঙখিদ্রে হায়না মালেসিয়াগী মরিটাইম ওথোরিটিশিংনা নোংমাইজিং নুমিৎতা ফোঙদোকখ্রে।

হি অদু থাংজ নুমিৎকী লোকেল মতমদা অয়ুক পুং ৯ লোম তাবদা মালেসিয়াগী ইষ্টর্ন সাবাহ ষ্টেটকী কেপিটেল কোটা কিনাবালু থাদোকখি। মদুগী পম্থুংফম্না টুরিষ্টশিংনা পাম্নবা মফম অমা ওইরিবা মেঙ্গালুম ঈথৎনি হায়না ওফিসলশিংনা ফোঙদোকখি।

ঈথৎ অদুদা য়ৌরকখিদ্রবা মতুংদা হি অদু নুমিদাং পুং ৯.৫০ রোম তাবদা মাঙখিবগী পাউ লাকখি অমসুং য়াম্না থুনা সার্চ ওপরেসন অমা চথুহনখি হায়না সাবাহ লাবুৱানদা লৈবা মালেসিয়ন মরিটাইম ইনফোর্সমেন্ট এজেন্সি (এম এই ঈ এ) গী দেপ্যুটি দিরেক্টর রাহিম রামলিনা হায়খি।

নোটিকেল স্কৱার মাইল ৪০০ রোম য়ৌনা কোনবা এরিয়া অদুদা পাঙথোক্লিবা সার্চ ওপরেসন অদু নোং-চীংগী ফীভম ফত্তবনা মরম ওইদুনা খুমাঙ চাউশিনবা ঙমখিদে হায়রি।

মফমদুদা ঈশিং ঈপোম অমসুং নুংশিৎ কনখি' হায়না রামনিনা হায়খি।

সার্চ অদুদা মালেসিয়ন নেভি, মরিটাইম পুলিস অমসুং এয়রফোর্সনা শরুক য়াখি হায়না এম এম ঈ এগী ষ্টেটমেন্টনা ফোঙদোকখি।

চাইনিজ ওফিসল সিনহুৱা ন্যুজ এজেন্সিগী মতুং ইন্না, কোটা কিনাবালুদা লৈবা চাইনিজ কোন্স্যুলেটনা ষ্টেট গর্ভর্নমেন্টদা থিবগী থবক কনখৎনবা হায়খ্রে।

চাইনা নেসনল টুরিজম এদমিনিষ্ট্রেসনগী মায়কৈদগীসু ইমরজেন্সি রেস্পোন্সকী প্রসিজরশিং হৌখ্রে হায়রি।

## মেক্সিকোনা ইজরেলবু চৈখ্রে

মেক্সিকো সিটি, জান্যুৱারী ২৯ :

লোনা য়াদবা ইন্মিগ্রেন্টশিংবু চঙহন্দনবা মেক্সিকোগা তাইনবা বোর্দরদা ৱাল অমা চনখৎনবা য়ু এস প্রসিদেন্ট দোনাল্ড ত্রম্পনা লৌখৎলকখিবা থৌরাংবু থাগৎপগী মওং উবা প্রাইম মিনিষ্টর বেঞ্জামিন নেটনয়াহুগী ত্বীট অমগা মরী লৈননা মেক্সিকোগী গর্ভর্নমেন্টনা থাংজ নুমিৎতা ইজরেলবু চৈ-থাংখ্রে।

থাংজ নুমিৎকী অঙনবদা ত্বীটরদা ফোঙদোকখিবা ৱারোল অমদা নেটনয়াহুনা হায়খি, 'প্রসিদেন্ট ত্রম্পনা তৌরিবসি চুমই। ইজরেলগী খা থংবা বোর্দর পরিংদা ঐহাক্না ৱাল অমা খাগৎখি। মদুদা লোনা য়াদবা মওংদা চঙনবা হোৎনখিবা মীওই খুদিংমকপু থিংখি। অচৌবা মায় পাকপা অমনি। অচৌবা আইদিয়ানি।'

প্রাইম মিনিষ্টর নেটনয়াহুগী কম্মেন্ট অসিবু মেক্সিকোগী জ্যুৱিশ কম্যুনিটিনা খুদক্তা রিজেক্ট তৌখি অমসুং মেক্সিকোগী ফোরন মিনিষ্ট্রিনা অকনবা ষ্টেটমেন্ট অমা থোক্তুনা কম্মেন্ট অদুদা রিয়েক্ট তৌখি।

'বোর্দরদা ৱাল চনবগা মরী লৈননা প্রাইম মিনিষ্টর নেটনয়াহুনা ত্বীটরগী খুথাংদা পীবা মেসেজদা মেক্সিকোনা য়াম্না ঙকপা পোকই, মদু নিংবা কায়নিঙাইনি অমসুং লৈবাক অসিনা রিজেক্ট তৌই হায়বসি মেক্সিকোদা লৈবা ইজরেলি এম্বেসেদরগী খুথাংদা ফোরন মিনিষ্ট্রিনা ইজরেল গর্ভর্নমেন্টদা খঙহনখ্রে' হায়না মিনিষ্ট্রি অসিগী ষ্টেটমেন্টনা হায়খি।

## এন্টি-আই এস আই এস ষ্ট্রেটেজি শেম শানবা ত্রম্পনা য়ু এস মিলিটরিদা নুমিৎ ৩০ নিগী মতম পীখ্রে

ৱাশিংটন, জান্যুৱারী ২৯ :

নুমিৎ ৩০ নিগী মনুংদা আই এস আই এসপু মায়থীবা পীনবা মপুং ফাবা ষ্ট্রেটেজি অমা পুথোক্লবা প্রসিদেন্ট দোনাল্ড ত্রম্পনা ঙসি য়ু এস মিলিটরিদা দিরেক্সন পীখ্রে। প্রোব্লেম অসি মায় পাক্লা লৈখায় তাহনগদবা মওংদা শাথিরবা টেরর গ্রুপ অদুগী মায়োক্তা এক্সন লৌখৎনবা হায়রদুনা প্রসিদেন্ট ত্রম্পনা য়ু এস মিলিটরিদা দিরেক্সনদু পীখিবনি।

'ইস্লামিক ষ্টেট ওফ ইরাক এন্দ সিরিয়া নৎত্রগা আই এস আই এস অসি য়ু এসনা হৌজিক রেদিকেল ইস্লামিক টেররিজমগা মরী লৈননা মায়োক্লরিবা অমত্তা ঙাইরবা থ্রেট ওইবগা লোয়ননা গ্রুপ অসি খ্বাইদগী ফৎত্রবা থবকশিং তৌবা অমসুং শাথিবা গ্রুপশিংগী মনুংদা অমনি। গ্রুপ অসিনা মখোয়গী ওইবা ষ্টেট অমা শেম্নবসু হোৎনরিবনি অমসুং মদু আই এস আই এসনা কলিফেট অমনি হায়না ক্লেম তৌরিবনি। তৌইগুম্বসুং মদুগী চন্নফম অমত্তা লৈরোই নৎত্রগা মদুগী মতাংদা নিগোসিয়েসনগী ৱাফম লৈরোই' হায়না ত্রম্পনা মহাক্কী ইগজিক্যুটিভ ওর্দরদা হায়খি।

'মরমশিংসি লৈবনা ঐহাক্না ঐহাক্কী এদমিনিষ্ট্রেসনদা আই এস আই এসপু মায়থীবা পীনবা অমসুং মপুং ফারবা থৌরাং অমা পুথোক্লবা দিরেক্সন পীরিবনি' হায়না মহাক্না হায়খি।

নুমিৎ ৩০ নিগী মনুংদা প্রসিদেন্টদা লানখৎকদৌরিবা থৌরাং অদুদা আই এস আই এসপু মায়থীবা পীনবগী মপুং ফারবা ষ্ট্রেটেজি অমা য়াওবগা টেরর গ্রুপ অসিগী মায়োক্তা ফোর্স শিজিন্নবদা ইন্টরনেসনল লোনা য়াবা তঙাই-ফদ্দবশিংদগী হেনবা য়ু এসকী ইনগেজমেন্টকী রুলশিং অমসুং অমেরিকাগী অতৈ পোলিসী রেষ্ট্রিক্সনশিংদা অহোংবা কয়া লাকহন্নবগী রিকমেন্দেসনশিংসু য়াওগনি।



আই এস আই এসনা চঙখিবা নৎত্রগা কন্ট্রোল তৌবা টেরটরিশিংদা গ্রুপ অসিনা মীশিংবু লাইনিং লাইশোলদা য়ুম্ফম ওইরগা তাথি-তাওইনা তৌবা অমসুং তুম্না হাৎপগী সিষ্টেমেটিক কেম্পেন অমা চথুদুনা লাক্লি হায়না ত্রম্পনা হায়খি।

'করিগুম্বা আই এস আই এসনা পৱার পায়খিবা তারবদি মসিনা পোকহল্লিবা অকিবদু হেনগলিক্কনি' হায়না মহাক্না চেকশিন ৱারোল হায়খি।

'গ্রুপ অসিনা কেমিকেল খুৎলায়গী কেপেবিলিটি দিভলপ তৌনবা হোৎনখি হায়বা ঐখোয়না খঙই।

মখোয়না ঐখোয়গী সিটিজনশিংবু মখা তানা কা হেনবা ৱাখল্লোনশিং চেলহন্নবা হোৎনরি অমসুং ঐখোয়গী মীচঙশিং অমসুং পার্টনরশিংগী মায়োক্তা এটেক তৌবা হেনগৎলক্লি।

য়ু এসনা আই এস আই এসপু মায়থীবা পীনবা মহয় য়ানগদবা এক্সন লৌখৎকদবনি' হায়না ত্রম্পনা হায়খি।

জেমস ফোলি, ষ্টেভেন স্কোটলোদ অমসুং পীটর অব্দুল-বহমন কাসিগুবু মঙক ককখিবা য়াওনা টেরর গ্রুপ অসিনা মিদ্দল ইষ্টতা অমেরিকান সিটিজন কয়া মীহাৎ থীনা হাৎখ্রে হায়না ত্রম্পকী ইগজিক্যুটিভ ওর্দরদুদা পনখি।

## মুস্লিম-মেজোরিটি ইন্দোনেসিয়ানা য়ু এসকী অনৌবা ইন্মিগ্রেসন ওর্দরশিং য়ানিংদবা ফোঙদোকখ্রে

জকার্টা, জান্যুৱারী ২৯ :

অনৌবা ইন্মিগ্রেসন ওর্দরশিংগী মখাদা মুস্লিম লৈবাক খরদগী য়ুনাইটেদ ষ্টেটসতা চঙলকপা মীওইশিংবু কা হেন্না কূপ্না য়েংশিন্নবা প্রসিদেন্ট দোনাল্ড ত্রম্পনা লৌখৎলকখিবা থৌরাংশিংদা ইন্দোনেসিয়ানা য়াম্না নুংনাংবা পোকই হায়না মুস্লিমশিংনা মশিং য়াম্বা লৈবাক অসিগী ফোরন মিনিষ্টর রেটনো মার্সুদিনা নোংমাইজিং নুমিৎতা হায়খ্রে।

ইরাই নুমিৎকী অথেংবদা সাইন তৌখিবা মতুংদা মথোং-মরম খঙদবা অমসুং চমম্নবগী ফীভম আ লাকহনখিবা ইগজিক্যুটিভ ওর্দর অমদা ত্রম্পনা য়ুনাইটেদ ষ্টেটসতা রিফ্যুজিশিং চঙলকপা থা মরি লেপহনখিবগা লোয়ননা সিরিয়া অমসুং অতৈ মুস্লিম লৈবাক তরুক্তগী লাকপা ত্রাভেলরশিংবু মতম খরা চঙবা থিংখি।



সিটিজনশিংনা অথিংবা মায়োক্লরিবা লৈবাক তরেৎকী মনুংদা মালেমগী মুস্লিম মীশিং খ্বাইদগী য়াম্বা ইন্দোনেসিয়াদি য়াওদে। অদুম ওইনমক ত্রম্পকী 'কা হেনবা ভেট্টিংগী' থৌরাংশিং অদুগী মরমদা হংবদা মার্সুদিনা রোইটর্জদা থাখিবা সোসল মিদিয়া মেসেজ অমদা হায়খি মদুদি, 'পোলিসীদুগী মতাংদা ঐখোয়দা য়াম্না নুংনাংবা ফাওই।'

হৌখিবা কুমজা ২০১৫ গী দিসেম্বরদা ত্রম্পনা য়ুনাইটেদ ষ্টেটসতা মুস্লিমশিং চঙলকপা থিংনবা আপিল তৌখি। মহাক্কী আইদিয়াদু ইন্মিগ্রেন্টশিংবু লাইনিং-লাইশোনগা মরী লৈননা চাংয়েং তৌবগী সজেসন অমনি হায়রদুনা মায়কৈ কয়াদগী কন্দেম তৌনখি। মদুনা য়ু এস কন্সটিট্যুসন খোঙ্গাওনবা য়াই হায়না ক্রিটিকশিংনা ফোঙদোক্লখি অমসুং তুংদা মদু 'কা হেন্না য়েংশিন্নবগী' প্রপোজেল অমা ওইনখি।

ইস্লামিষ্ট গ্রুপ খরা মকোক হাইগৎলকপগী মওং লৈরবসু ইন্দোনেসিয়াগী মুস্লিম মিলিয়ন ২২০ গী মনুংদা অয়াম্বনা মোদরেট ওইবা ইস্লামগী লাইনিং লম্বী চৎলি। লৈবাক অসি হৌখিবা মতম খরসিদা মিলিটেন্টশিংনা এটেকশিং চথুবা লৈখ্রে। ইন্দোনেসিয়াগা য়ুনাইটেদ ষ্টেটসকা অনকপা মরী লৈনৈ অমসুং লৈবাক অসিগী সিটিজন কয়ানা য়ু এসকী হান্নগী প্রসিদেন্ট বারাক ওবামাবু লুনা অমদি ৱাংনা খল্লি। মহাক অঙাং ওইরিঙৈ মতম অমদা জকার্টাদা লৈরম্মী হায়রি।

ত্রম্পনা ৱাশক লৌরবা মতুংদা ইন্দোনেসিয়ন প্রসিদেন্ট জোকো ৱিদোদোনা হায়খি মদুদি, লৈবাক অনীগী মরী নাকল অনীমক্তা কান্নহনগদবা মওংদা চেৎশিনহল্লগনি। ফোরন মিনিষ্টর মার্সুদিনা য়ুনাইটেদ ষ্টেটসতা চৎনবা ভিজাশিং লৌনবা হোৎনরিবা ইন্দোনেসিয়নশিং হৌজিক ফাওবদি প্রোব্লেম অমত্তা মায়োক্লদ্রি হায়না ফোঙদোকখি। য়ুনাইটেদ ষ্টেটসতা ইন্দোনেসিয়ন লিশিং চা কয়া লৈ হায়না মহাক্না হায়খি।


ꯀꯪꯂꯩꯄꯥꯛ ꯃꯣꯗꯔꯟ ꯁ꯭ꯀꯨꯜ

KANGLEIPAK MODERN SCHOOL

(A GOVT.PERMANENT RECOGNISED, ENGLISH MEDIUM HIGH SCHOOL AND AFFILIATED TO BOSEM)

ESTD. 1994

SINGDA KADANGBAN P.O LAMSANG,IMPHAL WEST

ADMISSION OPEN

NURSERY TO IX, BOTH DAY SCHOLARS AND BOARDERS FOR THE SESSION 2017-18

ADMISSION STARTS: 24TH DEC. 2016

SESSION STARTS: 19TH JAN. 2017

ACADEMIC RESULTS IN HSLC Examination AT A GLANCE

| YEAR | PASS P.C. | NO. OF LETTER MARKS |
| --- | --- | --- |
| 2012 | 100 | 10 |
| 2013 | 100 | 25 |
| 2014 | 100 | 35 |
| 2015 | 94 | 5 |
| 2016 | 79 | 3 |

SPECIAL FEATURES:-
* 100% CONCESSION IN TUITION FEES for the third & more ward(s) of same parent
* FREE Boarding fee(Dec.), Adm. Fee &school tuition fees for 1st position holders in the annual school exam.
* With many inspirational AWARDS & PRIZES.
* Special consideration for the students from BPL families and for fatherless children.
* Extra tutorials for weak students.
* Medical Facility, free dental check up.


BOARDING FACILITY, TRANSPORT FACILTY, CO-EDUCATION, COMPUTER CLASS,ETC.

email: kangleipakmodernschool@gmail.com www.facebook.com/KangleipakModernSchool,Singda-ImphalWest,Manipur

*For more details contact the school office during working hours.

PERFECT FRUITFUL LIFE

HL-P/0201/3-31 Jan. (Alt).





## ꯊꯕꯛꯀꯤ ꯄꯥꯎ/EMPLOYMENT NEWS

### CISF Recruitment 2017 – Central Industrial Security Force – 79 Assistant Sub-Inspector (Steno) Vacancies – Last Date 28 February

**CISF Recruitment 2017**

Central Industrial Security Force (CISF) invites application For the post of 79 Assistant Sub-Inspector (Steno) direct candidate. Apply before 28 February 2017.

**Job Details :**

Post Name : Assistant Sub-Inspector (Steno)
No. of Vacancy : 79 Posts
Pay Scale : Rs.5200-20200/-
Grade Pay : Rs.2800/-

**Categories wise Vacancies :**

UR : 39 Posts
OBC : 16 Posts
SC : 08 Posts
ST : 16 Posts

**Eligibility Criteria for CISF Recruitment :**

Educational Qualification : Candidate should have passed Intermediate or Senior Secondary School Certificate (10+2) examination from recognized Board or University or equivalent and Dictation 10 minutes @ 80 words per minute. Transcription time 50 minutes in English or 65 minutes in Hindi on computer.

Nationality : Indian
Age Limit : 18 to 25 years as on 28.02.2017

**Age Relaxation :**
For Schedule Caste/Tribe : 05 years
For Other Backward Class : 03 years

**Job Location : All India**

**Selection Process :** Selection process based on further stages of recruitment that is Eligibility test, Physical Efficiency Test, Written Test and Trade Test.

**Application Fee :** Candidates have to pay Rs.100/- in the form of Postal Order drawn in favour of the officer concerned CISF as per Official Notification and payable at the concerned post office. Fee is exempted for candidates belonging to Scheduled Caste, Scheduled Tribe, women and Ex-servicemen.

**How to Apply CISF Vacancy :** Interested Candidates may apply in prescribed application form along with Three self addressed envelopes (12 x 27 Cms size) duly affixing postal stamps for Rs.22/- thereon two. self attested Photostat copies of certificates/ testimonials in support of age and educational qualification send to concerned Zonal DIG of CISF Office As Per Official Notification on or before 27.02.2017.

**Important Dates to Remember:**
Last Date for Submission of Application form : 27.02.2017

**Important Links :**
Detailed Advertisement & Application Form Link : http://www.davp.nic.in/WriteReadData/ADS/eng_19113_7_1617b.pdf

### CRPF Recruitment 2017 – Central Reserve Police Force – 2945 Constables (Technical & Tradesmen) Vacancies – Last Date 01 March

**CRPF Recruitment 2017**

Central Reserve Police Force (CRPF) invites application for the post of 2945 Constables (Technical & Tradesmen). Apply Online before 01 March 2017.

**Job Details :**

Post Name : Constables (Technical & Tradesmen)
No. of Vacancy : 2945 Posts
Pay Scale : Rs. 5200-20200/-
Grade Pay : Rs. 2000/-

**Eligibility Criteria for CRPF Recruitment :**

Educational Qualification : Candidate must have passed 10th / matriculation examination or its equivalent from a Board recognized by the Central or State Govt.

Nationality : Indian
Age Limit : As on 01.01.2017

For CT/DVR : 21 to 27 years
For all Other Posts : 21 to 23 years

**Job Location : All India**

**Selection Process :** Selection will be made on PET/PST & Written Examination.

**Application Fee :** Candidates have to pay Rs.100/- through SBI Challan OR Net Banking OR Credit card / Debit Card. candidates belonging to Scheduled Caste, Scheduled Tribe and ExServicemen eligible for reservation are exempted from paying fee.

**How to Apply CRPF Vacancy :** Interested candidates may apply Online through the website http://crpf.nic.in on or before 01.03.2017

**Important Dates to Remember :**
Last Date for Submission of Online Application form : 01.03.2017
Last Date for Submission of SBI Challan : 20.02.2017

**Important Links :**
Detail Advertisement Link : http://crpf.nic.in/writeaddata/Portal/Recruitment_Advertise/ADVERTISE/1_98_1_148012017_Email.pdf

**Apply Online :** http://crpf.nic.in/recruitment-details.htm?98/AdvertiseDetail